**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১২-০৬-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙন্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরে। দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়া চানা থকবা লৈতবগী খুদোংচাদবশিং মায়োকরে, অনা অয়েক কয়া য়াওরে ।

২) জেনিমসকী নিউরো সরজন ডা: এম. অমিত কুমারগী য়ুমদা বোম পোখায়হল্লম্বগী থৌদোকপু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৩) রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা নুমিদাংগী মতমদা শাবগী চাং ৱাংবনা মীয়ামা খুদোংচাবা ময়োকরে।

৪) ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি।

**অমসুং**

৫) বি.জে.পিগী মোহোন চারন মাজি, উরিষ্যাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**জিরি(এল)ঃ** হৌজিক জিরিবাম জিলাদা ওইরিবা শন্তি রক্সাগী ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা জিরিবাম ইম্ফাল লম্বীদা চৎথোক চৎশিনদা অকিবা পোকপদগী মাল য়াওবা গাড়ি কয়া জিরিবামদা পন্দুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং অনা অয়েক য়াওবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি হায়রি।

থা অসিগী ৬ তা ঙমখৈ জিলা অসিদা লৌমী অমা হাৎলম্বগী থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ইরাং থোকখি। মসিগী মতুং তারকপা চয়োল অমরোম অসিদা জিরিবাম লোমদগী ইম্ফাল তমা থাও পুবা গাড়ি য়াওনা পোৎচৈ পুশিল্লক্কদবা মাল পুবা গাড়ি কয়া জিরিবাম ইম্ফাল লম্বী চৎপদা অকিবা পোকপদগী গাড়িশিং অসি পন্দুনা লৈরকখিবনি। হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা গাড়িশিং অসিগী মরক্তা ড্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়া অনা অয়েক য়াওবগা লোয়ননা চানা থকবা লৈতবগী খুদোংচাদবশিং মায়োকবা হৌরে। মরম অসিনা হিরম অসিদা অথুবা মতমদা সরকারনা মীৎয়েং চংবিনবা আপিল তৌরকখি।

অমরোমদা, ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙান্থেম বিস্বাজিৎনা হায়-জিরিবামদা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদগী হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা কা হেনবা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

জিরিবামদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পেন্দবা ফাওই হায়না ৱার্ল্ড মৈতৈ ওর্গনাইজেসননা থল্লক্লি। অথুবা মতমদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা জিরিবাম য়াওনা মনিপুর পম্বদা তংদু লৈতানবা হোৎনবিয়ু হায়না লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**বোম(এল)ঃ** জৱাহরলাল ইন্সটিটু্যট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী নিউরো সরজন ডা: এম. অমিত কুমারগী য়ুমদা বোম পোখায়হল্লম্বগী থৌদোকপু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। জেনিমসকী দিরেক্তরনা লুচিংদুনা,ফেকলতি , ষ্টাফ অমদি মহৈরোইশিংনা পুন্না ঙসি ইন্সটিটু্যট অসিগী এদমিনিস্ত্রেতিব এন্দ ফেকলতি ব্লোক্তা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চখখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জেনিমসকী মেদিকেল সুপ্রিনতেন্দেন্ত প্রোফেসর এন. কামেস্বরনা হায়- মীয়ামগীদমক অহিং নুংথিল নাইদনা অনা লায়েংগী থবক তৌরিবা দোক্তর য়াওনা হোস্পিতালগী ষ্টাফশিংদা অকি অখঙ পোকনহবগী থৌওং অসি য়ানিংদে । অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা থোকহনবিগনু। ডা: অমিত কুমার দোক্তর অমা ওইনা মথৌ মশক খঙনা মীয়ামগী সেবা তৌবা খক নত্তনা হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফীভম অসিদা অৱা অনা তারবশিংগীদমক লেপ্পা নৈতনা মতেং পাংদুনা লাকখিবা মীওইনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। প্রোফেসর এন.কামেস্বরনা হায়-

--**সাউন্দ কমেস্বর**--

অমরোমদা, বর্ষ্মাপুর নহাবম লৈকায়গী মৈরা পাইবিশিংনসু বোম পোখায়হনবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চখখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ুমলক্তা বোম পোখায়হনবা য়ানিংদে, মীয়ামদা অকী অখঙ পীগনু, হায়বনচিংবা প্লে-কার্দশিং শিজিন্নখি। বোম পোখায়বগী থৌদোক অদুবু তারাগী চৈশুনসু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা খুরাই অহোঙ্গৈদা লৈবা তারাগী চৈশুগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লুপ অসিগী চিয়রমেন খাইদেম মণিনা হায়- ডা: অমিত কুমার তারাগী চৈশুগী একজিক্যুতিব মেম্বর অমসু ওইরিবনি।

রাজ্য অসিদা তংদু নৈতাবা পুরকবা অমদি অৱা অনা তারবশিংদা মতেং পাংনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরিবা মীশক অমগী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোখায়হনবা

হায়বসি য়ানিংদে । হিরম খুদিংমক ৱারি শাদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগদবনি। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মীয়ামা খম থেংননা ৱানরিঙৈ চৈরক্তা ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবগী মমী তারকপ অসি লাইবক থীবনি হায়নসু খাইদেম মণিনা মখা তাখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ মণি--**

**মীফম (এল)ঃ** ভারতকী সংবিধান অসি লৈবাক অসিগী নগারিকশিংবু ঙাকশেন্দুনা থমবা চৎনা পথাপনি । অদুবু মসিনা রাজ্য অসিগী মীয়াম্বু কদায় ফাওবা ঙাকশেনবিরিবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরে হায়না মনিপুর হ্যুমেনরাইটস কম্মীসনগী মেম্বর কাংজম খাগেন্দ্রনা ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি চাইনরোল এন্দ ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ান লো হায়বা হিরমদা ঙসি মনিপুর য়ুনিভার্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি । মহাকা হায়- চাইনারোলগী মতাংদা নিংথিনা ইদুনা থল্লম্বতা নত্তনা চৎনা কাংলোন কয়া ইদুনা থম্বীরম্বা অসিনা রাজ্য অসি চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইদুনা লাক্লি হায়বসি তাক্লি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ খাগেন্দ্র--**

দিপার্টমেন্ট ওফ লো-মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা শিনবা থৌরম অদুদা টেকিকেল সেসনসু পাঙথোকখি। রিছোর্স পার্সসন ওইনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী লো ওফিসার ৱারেপ্পম বসন্তকুমার, এল.এম.এস লো কলেজ ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার এন. প্রমোত সিংহ অমসুং ইম্ফাল রিভিউ ওফ আর্ট এন্দ পোলিতিক্সকী ইদিটর প্রদিপ ফানজোবমনা তোঙান তোঙানবা লমদা ৱা ঙাংখি ।

নুংথিলগী সেসনদনা প্রোফেসার এম.সি. অরুন, ডাঃ হোমেন থাংজম, খুরাইজম অথৌবা, ডাঃ সাপম দিলিপ কুমার সিংহ অমদি ডাঃ য়ুমাম প্রেমানন্দ সিংহনা হিরম অসিগা মরী লৈননা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**মেট(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা নুমিদাংগী মতমগী শাবগী চাং হেনগৎপদগী মীয়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরি। হিরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দিরেক্তর ডা: টি ব্রজাকুমারগা অখন্ননা ৱারি শাবদা মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা শাবগী চাং অসি কা হেন্না হেনগৎপা লৈত্রি। খ্বাইদগী ৱাংলবদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৬ ফাওবা লৈরি।

অদুমওইনমক, নুমিদাংগী ইংথাগদবা মতমদা লৈগদবা টেম্পরেচরগী চাং ইহন হন্থদবনা মীয়ামা অশাবা ফাওবগী খুদোংচাদবা মায়োকবনি। নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ ফাওবদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২লৈরি। অহিং নোংয়াই পুং ১২ অদুৱাই ফাওবা টেম্পরেচরগী চাং ইহন হন্থাদবা, হন্থরবসু সেলসিয়স দিগ্রি ২৫ ফাওবা লৈবা অসিনা নুমিদাংগী পোত্থাবা মতমদা ওমচাকবা , তুম্বা য়াদবনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া পীরি। মসিনা অহল ওইরবা অমসুং চহি নৌরিবা অঙাং য়াওনা অনাবা লৈবা মীওইশিংদা অৱাবা মায়োকনা হন্নবা মরম ওইরি । য়ারিবা মখৈ থোং থোনাউ হাংদোকপীদুনা য়ুম মনুংদা নুংশিৎ চংহনবা, ঈশিংনচিংবা থকপা য়াবা মহিশিং চাংনাইনা থকপা তঙাই ফদে হায়রি।
ডা:টি ব্রজাকুমারনা হায়-

**--সাউন্দ ব্রজাকুমার--**

**ভেতিরিনরি(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মৈতৈ শণশিং খুৎশেমগী পাম্বৈনা মচা কাপ্পুনা হেন্না ফাবা মচা লৌবগী থবক ভেতিরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি বিভাগনা লেপ্পুনা চত্থরি । বিভাগ অসিগী মখাদা পোরোম্পাৎতা লৈবা আই.সি.দি.পি ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোজেক্ট ওফিসর এ.দেবেন্দ্রগা অখন্ননা উন্নবদা

মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ২০২৩ গী এপ্রিল থাদগী চৎলিবা চহি ২০২৪ গী মার্চ থা ফাওবদা মৈতৈ শণ লিশিং ৯,১৯৬ তা খুৎশমগী মচা কাপখি । মসিগী মনুংদা থৌবাল জিলাগী ওইনা শণ মশিং লিশিং ৩৬৮১ দা মচা কাপ্তুনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মচা শেন্বা জিলা ওইরি। লোয়নননা পুন্না শণ মচা লিশিং ২,৮৯১ পোকপা ঙমখি । মসিগী মনুংদা শণ লাবা ৯৬৬ অমসুং শণ অমোম লিশিং ১, ৯০৫ য়াওরি।

খুৎশেমগী পান্বৈনা শণ মচা শেন্বগী মতাংদা হেন্না ভাব তাহন্নবা মতম মতমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রামসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লি হায়না শ্রী দেবেন্দ্রনা ফোংদোরক্লি।

**সেবা(এল)ঃ** সেবা ভারতি মনিপুর অমসুং গো-ধর্ম্মিকনর ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মতেং পীবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি হায়রি। হৌখিবা নুমিৎ ৫ নি রোম অসিদা লুপ অনি অসিনা নাগারাম , নমদুলোং, খুমন লম্পাক অমদি মাইবা খুলগী ঈচাউনা শোকহল্লবা য়ুম ৭০০ রোমদা মতেং পীখ্রে হায়রি। মখা তানা মতেং পীবগী থবক চত্থগনি হায়রি।

**রিলিফ (এল)ঃ** ঈচাউনা শোকহনখ্রবা মফমশিংদা মেদিকেল কেম্পশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি । ঙসিসু লাইফম খুনৌ ময়াই লৈকায়দা লৈবা এন.কে.ৱাই.দি.এগী শঙলেন্দা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু জেনিমস রিলিফ কম্মীতি অমদি জোইন্ত এক্সন কোওর্দিনেসন কম্মীতি লাইরিকয়েংবম লৈকায়না তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি বি.এল.এফশিংদা খুৎশমদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিফ মেদিকেল ওফিসরগী মতেংগা লোয়নননা পাঙথোকপনি হায়রি।

মেদিকেল কেম্প অদুদা উনশাগা মরী লৈনবা অনাবশিংনা খ্বাইদগী হেন্না থেংনখি হায়রি।

অমরোমদা, ঈচাউ থোকখ্রবা মতুংদা মীয়ামা অফবা অরুবা ঈচিং থকপা, চাবা থকপা তৌদ্রিবঙৈ অমসুং অমাংশঙ চংলুরবা মতুং খুৎশা শেংনা হাম্বা, পুমথারবা অমসুং ঈচাউগী ঈশিংগা শমরুবা চিঞ্জাকশিং মফম চানা হুন্দোকপা হায়বনচিংবা লৌগদবা চেকশিন থৌরাংশিং মীয়ামা ঙাকা চৎপিয়ু হায়না হকশেল বিভাগ অমদি নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম ঙসি ৱাৰ্ল্ড দে এগেনস্ত চাইল্ড লেবর মালেমগী মফম কয়দা পাঙথোক্লি। চহি অসিগী হিরমনা -লেটস এক্ট ওন অৱর কম্মীটমেন্তস "এন্দ চাইল্ড লেবর হায়বসিনি"। ইন্তরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসন অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা নুমিৎ অসি পালন তৌনরি। অঙাংশিংবু মখোয়গী পুকিং হকচাং শোকহনবা য়াবা থবক শুহনবগী মায়োক্তা ঐখোয় পুমমকা লৈমিন্নদুনা মখোয়বু মহৈ মশিং তমহন্দুনা তুংগী অফবা য়ুম্বী ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়না নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর কোন্সম সারোজানা আপিল তৌরি।

-- **সাউন্দ সারোজা**--

**বেঙ্ক (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙাবোক্তা বেঙ্ক ওফ বারোদাগী অনৌবা ব্রঞ্চ অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। বেঙ্ক অসিনা খাঙাবোক য়াওনা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথরবিা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিফতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা গোল্ডন এফ.এফ পেলেস কম্পোউন্দ, দব্লিউ এ.সি ৱাইখোম লৈকায়, ওল্ড এফ.পি উরিপোক সোইবম থিংঙেল মায় পাকখ্রে।

**শান্নবা (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্ট এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এন.এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা য়ু.বি.এস.এ মন্তকপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

পার্লিয়ামেন্তঃ ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি। মীফম মনুংদা নৌনা কারল্লকবা সদস্যাশিংগী ৱাশক লৌবা অমসুং লোক সভাগী অদক্ষা খনবগী মীখল পাঙথোক্কনি। মীফম অসিগী মনুংদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা রাষ্ট্রপতিগী ৱারোল অদু সভাদা খন্নগনি।

রাজ্য সভাগী মীফম থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি। অদুগা সংসদকী মীফম মথং থাগী ৩ দা লোইশিনগনি। পার্লিয়ামেন্তরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা পোস্ত অমদা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামা খল্লকবা সভাগী সদস্যাশিংনা জাতি অসিগীদমক থবক কয়া পায়খৎকদবনি। মহাকা হায়-সংসদ হায়বসি ভারতকী মীওই কোতি ১৪০ গী অনিংবা অপম্বা ফংহন্নবা ৱা খন্নফম অমসুং তান্নফম ওইরিবনি।

অন্ধ্রঃ তেলিগু দেসম পার্টিগী লুচিংবা এন.চন্দ্রবাবু নাহ্দু ঙসি অন্ধ্র প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম কৃষ্ণ জিলাগী কেসারাপালিদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং এন.দি.এগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**উরিষা ঃ** বি.জে.পিগী মোহোন চারন মাজি, উরিষ্যাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। মহাক্কা লোয়ননা উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা- কনক বরধন সিংহ দিয়ো অমসুং প্রবতি পরিদাসু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম ভুবনেশ্বরগী জনাতা মৈদানদা পাঙথোকখি। বিজু জনতা দল নবিন পটনায়কনা লুচিংবা সরকার চহি ২৪ গী মতুংদা লোইশিল্লবা মতুংদা রাজ্য অসিদা হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা ওইনা বি.জে.পিনা সরকার শেম্বনি। চহি ৫২ শুরবা চারন মাজিবু য়েৎনবা লৈতনা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরে। দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন কয়া চানা থকবা লৈতবগী খুদোংচাদবশিং মায়োকরে, অনা অয়েক কয়া য়াওরে ।

২)  জেনিমসকী নিউরো সরজন ডা: এম. অমিত কুমারগী য়ুমদা বোম পোখায়হল্লম্বগী থৌদোকপু  মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

৩)  রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা নুমিদাংগী মতমদা শাবগী চাং ৱাংবনা মীয়ামা খুদোংচাবা ময়োকরে।

৪)  ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি।

**অমসুং**

৫)  বি.জে.পিগী মোহোন চারন মাজি, উরিষ্যাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**